# ৱর্ল্ড কপঃ ইক্কেদোরনা জর্মনি মায়থীবা পীদুনা নোক আউট ষ্টেজদা ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং

# লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টনা হরাওবা ফোঙদোকপা ওইনা ইরাই নুমিৎ নেশনল হোল্লিদে লাউথোকখ্রে

## দেমব্লিগী হেটট্রিকনা হাফ ফাওবদা ফ্রান্সনা নোর্ৱেদগী ৩-১ মাঙজিল থারগা লৈখি, হাফ লোইবা ফাওবদা সিনেগলনা ইরাকতগী পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি

**বোষ্টোন, জুন ২৬ (এজেন্সী):** ঙসি নোংয়াইমতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা নোর্ৱে অমসুং ফ্রান্সকী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। বোষ্টোনদা লৈবা জি লেট ষ্টেদিয়মদা নোর্ৱেনা ৪-৩-৩ ফোর্মেটতা অদুগা ফ্রান্সনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপদা ৭ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী ও দেম্বেলিনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ২০ শুবা মিনটতা দেম্বেলিনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ফ্রান্সনা অনীশুবা পাঞ্জল চনবগী হরাওবা ফোঙদোকপা লোইদ্রিঙৈ থংনবা ২১ শুবা মিনটতা নোর্ৱেগী শান্নরোয় টি অজগার্দনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙম্লবা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৩২ শুবা মিনটতা ও দেম্বেলিনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইরিবা অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু নোর্ৱেগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ফ্রান্সনা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টোরোন্টোদা লৈবা বি এম ও ফিল্ডদা সিনেগল অমসুং ইরাককী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সিনেগলগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। সিনেগলনা ৪-১-২-৩ ফোর্মেটতা অদুগা ইরাকনা ৪-৪-২ ফোর্মেটতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৪ শুবা মিনটতা সিনেগলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ঐচ দিয়ারানা চনখিবনি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৩ শুবা মিনটতা ইরাককী শান্নরোয় আর সুলাকানা কা হেনবা ফাউল অমা তৌরুবদগী রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। ইরাককী শান্নরোয় অমা হন্থখিবনা মরম ওইরগা সিনেগলগী শান্নরোয়শিংনা হান্নদগী হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সিনেগলনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

**ন্যুজর্সি, জুন ২৬ (এজেন্সী):**

### ইক্কেদোর অমসুং জর্মনি

ঙসি অয়ুক পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা ন্যুজর্সিদা মেটলাইট ষ্টেদিয়মদা ইক্কেদোর অমসুং জর্মনিগী মরক্তা গ্রুপ ঈগী মেটচ শান্নবা হৌখি। ইক্কেদোরনা ৪-৪-২ ফোর্মেটতা অদুগা জর্মনিনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা জর্মনিগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা জর্মনিনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬১ ওইখিবা মতমদা ইক্কেদোরনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩৯ ওইখি। মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ২ শুবা মিনটতা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা জর্মনিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় এল সেননা চনখিবনি। মেটচ অদুগী ৯ শুবা মিনটতা ইক্কেদোরগী নিলসন অঙ্গুলোনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। মেটচ অদুগী ৭৭ শুবা মিনটতা ইক্কেদোরগী গোঞ্জালো প্লটানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ লোইবা ফাওবদা জর্মনিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইক্কেদোরনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্তুনা রাউন্দ ওফ ৩২দা মফম কনবা ঙমখ্রে।

জর্মনিবু য়াম্না থাজদবা মওংদা মায়থীবা পীদুনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিবা অদুবু হরাওবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট দেনিয়ল নোবোৱানা ইরাই নুমিৎপু নেশনল হোলিদে ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে।



ইক্কেদোরগী গোঞ্জালো প্লটানা জর্মনিগী মায়োক্তা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

### ক্যুরাসাও অমসুং আইভোরি কোষ্ট

ঙসি অয়ুক পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা ফিলাদেলফিয়াদা লৈবা লিঙ্কলন ফাইনান্সিএল ফিল্ডদা ক্যুরাসাও অমসুং আইভোরি কোষ্টকী মরক্তা গ্রুপ ঈগী মেটচ শান্নবা হৌখি। ক্যুরাসাওনা ৫-৩-২ ফোর্মেটতা অদুগা আইভোরি কোষ্টনা ৪-৪-২ ফোর্মেটতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী আইভোরি কোষ্টকী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। আইভোরি কোষ্টনা মেটচ অসিদা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬২ ওইখিবা মতমদা ক্যুরাসাওনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩৮ খক্তমক ওইখি। মেটচ অসিদা আইভোরি কোষ্টনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় নিকোলাস পেপেনা চনখিবনি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৬৪ শুবা মিনটতা নিকোলাস পেপেনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ক্যুরাসাওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু আইভোরি কোষ্টনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি।



অনীশুবা হাফকী অথেংবা মিনটতা টর্কিগী কান আইহাননা মখোয়গী মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখিবা

### টুনিসিয়া অমসুং নেদরলেন্দস

ঙসি অয়ুক পুং ৪.৩০ তাবদগী হৌরগা কেন্সাস সীটিদা এরোহেদ ষ্টেদিয়মদা টুনিসিয়া অমসুং নেদরলেন্দসকী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টুনিসিয়ানা ৫-৩-২ ফোর্মেটতা অদুগা নেদরলেন্দসনা ৪-৩-৩ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নেদরলেন্দসকী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদগী বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা নেদরলেন্দসনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৭১ ওইখিবা মতমদা টুনিসিয়ানা বোল পায়বগী চাং চাদা ২৯ ওইখি। লৈবাক অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা নেদরলেন্দনা পাঞ্জল ৩-১দা টুনিসিয়াবু মায়থীবা পীখি। নেদরলেন্দসকী পাঞ্জলশিং অদু ব্রাইন ব্রোবি অমদি জেন পোল ভেন পেকেনা অমমম চনখি। অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অমদুনা টুনিসিয়াগী ইলিস খিরিনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি। অদুগা টুনিসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা হজেম মষ্ট্রিনা চনখিবনি।

### জপান অমসুং স্বিদেন

ঙসি অয়ুক ৪.৩০ তাবদগী হৌরগা দলাসতা লৈবা এ ঈ এন্দ টি ষ্টেদিয়মদা জপান অমসুং স্বিদেনগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। জপাননা ৩-৪-৩ ফোর্মেটতা অদুগা স্বিদেননা ৩-৪-১-২ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা স্বিদেননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৯ ওইখিবা মতমদা জপাননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫১ ওইখি। নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা লৈবাক অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। জপানগী পাঞ্জল অদুনা দাইজেন মিদাননা অদুগা স্বিদেনগী পাঞ্জল অদুনা এন্থোনি এলঙ্গানা চনখিবনি।

### টর্কি অমসুং য়ু এস এ

ঙসি অয়ুক ৭.৩০ তাবদগী হৌরগা লোস এঞ্জেলসতা লৈবা সোফি ষ্টেদিয়মদা টর্কিনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা অদুগা য়ু এস এনা ৪-১-২-৩ ফোর্মেটতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা য়ু এস এগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টর্কিনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টর্কিনা য়াম্না থাজদবা মওংদা য়ু এস এবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরমখি। টর্কিগী পাঞ্জলশিং অদু অর্দা গুলর, বারিস অলপর য়িলমাজ অমসুং কান আইহাননা অমমম চনখিবনি। অদুগা য়ু এস এগী পাঞ্জল অনীদুনা ওষ্টন ত্রষ্টি অমসুং সেবাষ্টিয়ান বরহালটরনা অমমম চনখিবনি।

### পেরাগ্যুএ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া

ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদগী হৌরগা সান্ট ফ্রান্সিসকো বে এরিয়াদা লৈবা লেভিস ষ্টেদিয়মদা পেরাগ্যুএ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। পেরাগ্যুএনা ৫-৪-১ ফোর্মেটতা অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৩-৪-৩ ফোর্মেটতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ানা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৬ ওইখিবা মতমদা পেরাগ্যুএনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৪ ওইখি। লৈবাক অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লৈবাক অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ০-০দা দ্রো চৎখি।

| Date & Time in IST | | Match | | Group | Match No. | Venue |
|---|---|---|---|---|---|---|
| June 28, 2026 | 02.30 am | Panama | England | L | 67 | MetLife Stadium, New Jersey |
| | 02.30 am | Croatia | Ghana | L | 68 | Lincoin Financial Field, Philadelphia |
| | 05.00 am | Colombia | Portugal | K | 69 | Hard Rock Stadium, Miami |
| | 05.00 am | Dr. Congo | Uzbekistan | K | 70 | Mercedes-Benz Statium, Atlanta |
| | 07.30 am | Algeria | Austria | J | 71 | Arrowhead Stadium, Kansas City |
| | 07.30 am | Jordan | Argentina | J | 72 | At & T Stadium, Dallas |

## টকৱা ত্রোফিঃ পোইরৌখোংজিল এফ সীনা কে কে কে য়ু মাইথীবা পীরগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস):** তেন্থা খোঙবাল ৱেলফেয়র এসোসিএশন (টকৱা)না শীন্দুনা তেন্থাদা লৈবা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথুরিবা টকৱা ফুটবোল ফেষ্টিবেল ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা পোইরৌখোংজিন এফ সীনা কে কে কে য়ু মাইথীবা পীরগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী হৌরগা পোইরৌখোংজিন এফ সী অমসুং খুরাই খাবৈশোই খোমিদোক য়ুনাইটেদ (কে কে কে য়ু)গী মরক্তা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্লদুনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৩৮ শুবা মিনটতা পোইরৌখোংজিন এফ সীগী কোরৌনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৫৬ শুবা মিনটতা পোইরৌখোংজিন এফ সীগী বোবোসনানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কে কে কে য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পোইরৌখোংজিন এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাক্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। ফাইনেলদা পোইরৌখোংজিন এফ সীনা ৱাঙ্গৈই এফ সীগা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াবদি, ৱাঙ্গৈই এফ সীনা মুকখাই এফ সীবু পেনালটি শুট আউটতা থোইরবা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

## হোক্কি কোচিং কম ত্রায়ল সিলেক্সন

**ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস):** চহী অসিগী জুলাই ২৮দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা টামিলনাদুগী কোইম্বতোরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬ লক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা ষ্টেট হোক্কি টিম শেম্নবগীদমক মণিপুর হোক্কিনা নুমিৎ ১০নিগী ওইবা কোচিং কম ওপন ত্রায়ল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর হোক্কিগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কোচিং কম ওপন সিলেক্সন ত্রায়ল অসিদা কুম্জা ২০০৭কী জন্যুৱারী ১ নত্রগা মসিগী মতুংদা পোকপা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। শান্নরোয়শিংনা হোক্কি ইন্দিয়া পোর্টেলদা মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম অমদি মরী লৈনবা চে-চাংশিং মণিপুর হোক্কিদা থাজিল্লক্কদবনি। ত্রায়লদা শরুক য়াদ্রিঙৈগী মাঙওইননা হোক্কি ইন্দিয়া মেম্বর য়ুনিট পোর্টেলদা অমুক রেজিষ্ট্রেসন তৌগনি। অরানবা মওংদা নত্রগা শাশিন্নবা চে-চাংশিং শীজিন্নরল্লবদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি। মরম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিট অমদি ক্লবশিংনা মখোয়গী ইলিজিবল ওইবা শান্নরোয়শিং থা অসিগী ২৮গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা সেয়ো হোক্কি ফিল্ডদা থারক্কদবনি হায়রি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com